**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-07.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মনিপুরদসু ঙসি মালেমগী হেপাটাইটিজ নুমিৎ-'হৌজিক্তি থবক্তা ওন্থোকপগী মতমনি' হায়বা হিরমদা পাঙথোকখ্রে।

২) শিব সেনা মণিপুর প্রদেশনা হায়রি- ইপা ইপুনা থন্বীরম্বা লম অমসুং ঙমখৈ ঙাক শেনদুনা থমবা হোৎনবদা অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

৩) অসামগী হাইলাকান্দি জিলাদগী পুলিসনা লুপা কোতি ৯ লোমগী মমল ওইগদবা য়াবা টেব্লেৎ ফারে।

৪) ভারতপু ড্রগ শিজিন্নদবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মসিদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিং অমদি ইন্সটিট্যুসনশিংনা মানস হেল্প লাইন নম্বরগী খুদোংচাবা লৌনবা প্রধান মন্ত্রিনা আপীল তৌরি।

অমসুং

৫) পেরিস ওলিম্পিক্তা ভারতকী সুত্তর মানু ভাকর নুপীগী এয়ার পিষ্টোলগী মিতর ১০ গীদা শেঞ্জেংগী তকমান লৌদুনা মশান্না অসিদা তকমান লৌবা ভারতকী অহানবা নুপী শান্নরোই ওইরে।

------

ডে (এল) ঃ মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মনিপুরদসু ঙসি মালেমগী হেপাটাইটিজ নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী থিমদি-'হৌজিক্তি থবক্তা ওন্থোকপগী মতমনি' হায়বসিনি।

রিজনেল ইন্সটিট্যুট মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) হোস্পিতাল ইম্ফালগী জেনরেল ও.পি.দি. ব্লোক্তসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি। পালন থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা হেপাটাইটিজ (বি) অমসুং (সি) গী স্ক্রিনিং অমসুং কন্সলটেসনসু পাঙথোকখি।

হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং মখাদা নেসনেল ভাইরেল হেপ্পাটাইতিস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম, জিরিবাম অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি, জিরিবাম অনিনা পুন্না শিন্দুনা জিলা অসিগী কম্যুনিতি হেলথ সেন্তরদা ৱার্ল্ড হেপ্পাটাইতিস ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা চাইল্ড ৱেলফ্যার আশ্রমগী সেক্রেটরি আর.কে. বিজয়সনা, দি.এম.এস ইনচার্জ-ডাঃ মুহামদ য়ুনুস আলি অমদি অখঙ অহৈ কয়া শরুক য়াখি।

মণিপুর নেটৱার্ক ফোর পোজিতিভ পিপলনা অমসুং পাথকা খুৎশমদুনা ৱার্ল্ড হেপ্পাটাইতিস ডেগী থৌরম ইম্ফালগী এম.জি. এভিন্যুদা লৈবা হোটেল য়াইফবদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা নেসনেল হেলথ মিসনগী নেসনেল ভাইরেল হেপ্পাটাইতিস কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডাঃ আার.কে. রোজি, মণিপুর এইদস কন্ট্রোল সোসাইতি (মেক্স)কী ওমবসমেন্ট ডাঃ শশিকুমার মঙাং অমদি অতৈ মীওই কয়া শরুক য়াখি।

নেসনেল হেলথ মীসন মণিপুর অমসুং রাজ্যগী হকশেল বিভাগনসু মালেমগী হেপাটাইটিজ নুমিৎকী পালন থৌরম হয়েং জেনিমসকী মেইন ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জন সিংহসু শরুক য়াগনি।

দেঙ্গি (এল)ঃ মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ, থোকচোম সত্যবর্তনা য়াইস্কুল কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈরিবা ক্লবশিংদা দেঙ্গি লায়নাদগী ঙাকথোকবা হিদাক লাংথক অমদি হিদাক কাপবা পম্পশিং য়েন্থোকখ্রে। ব্রহ্মপুর ভগ্যবতি লৈকাইদা লৈবা

অধ্যক্ষগী য়ুমদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা য়েন্থোকখিবনি। থৌরম অদুদা ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসার ডাঃ এস. প্রিয়োকুমার শরুক য়াখি।

শওম্বুং (এল)ঃ অনৌবা খোঙথাং ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন, আশা ৱার্কর অমদি এস.আই.এস.দি কাদরগা খুৎশমদুনা শওম্বুংগী ঈশিং ঈচাউ নংলবা ইমুংশিংদা কাং হিদাক, ও.আর.এস. সেনিটরি নেপকিন্নচিংবা য়েন্থোকখ্রে।

কেম্প (এল)ঃ ওল মণিপুর মেদিকেল ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসুং মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা থৌরম অমা ঙসি এন.আই.দি.এস.য়ু ক্লব লুৱাংশংবমদা পাঙথোকখ্রে।

গভর্নর (এল)ঃ সুপ্রিম কোর্টকী নৌনা খল্লবা জজ, জষ্টিস নোংমৈকাপ্পম কোতিশ্বর সিংহনা ঙসি রাজ ভবন ইম্ফালদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা রাজ্যপালনা জষ্টিস এন. কোতিশ্বর সিংহনা শিংথানিঙাই ওইনা থবক তৌবগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাকা সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইরকপদা থাগৎপা ফোংদোকপগা লোয়ননা সুপ্রিম কোর্টকী জজ অমা ওইরকপা হায়বসি রাজ্য অসিগী ওইনদি চাউথোকচনিঙাইনি। মণিপুর মীয়াম্বু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা জষ্টিস এন. কোতিশ্বরনা লৌবা য়াবা থৌদাং লৌননবা রাজ্যপালনা পুকিং থৌগৎখি।

অমরোমদা, ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা রাম কৃষ্ণ আশ্রমদা জষ্টিস এন. কোতিশ্বর সিংহবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি রাম কৃষ্ণ মিসন বিদ্যাপিত, পুরুলিয়া এলুমনাই অমদি রাম কৃষ্ণ আশ্রমনা পুন্না শিনবনি।

সেনা (এল)ঃ শিব সেনা মণিপুর প্রদেশনা হায়রি- ইপা ইপুনা থন্বীরম্বা লম অমসুং ঙমখৈ ঙাক শেনদুনা থমবা হোৎনবদা অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা দলগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী প্রসিদেন্ট এম. তোম্বীনা হায়- মণিপুরদা হৌজিক মায়োকরিবা খুদিংমক থেংননবা হোৎনবদা রাজনীতিগী খুদোংচাবা লৌরোইদবনি। খেৎনবা থমদনা মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাকপা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী দাইত্ব ওইগদবনি। মহাকা হায়- থা অসিগী ৩১ দগী হৌগদৌরিবা মণিপুর বিধান সভাগী নোংজ্ মীফমদা মীতৈ-মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চন্নবা ৱাফমশিং পুখৎতুনা খন্ননবা হোৎনগদবনি। মণিপুরগী মরুওইবা লম্বী অমা ওইরিবা নেসনেল হাইৱে থার্তিসভেনগী ফিভম হৌজিক ওইরিবা অথুবা মতমদা সরকারনা মীৎয়েং চংদুনা শেমজিন্নবা হোৎনগদবনি। লম্বী অসিদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুশিল্লকপনা লম্বী অসি ফত্তবা মতমদা গাড়িশিং চংলকপদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োকরে।

শ্রী তোম্বীনা হায়- শিবা সেনাগী মীহুৎ কাংবু অমনা বি.জে.পি নেসনেল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দা, ত্রাইবেল এফ্যারস মন্ত্রি জ্বেল ওরাম অমসুং হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বালগী রাজ্য মন্ত্রি প্রতান রাও যাদবকা উন্নদুনা হয়েং মেমোরেন্দম পীশিল্লগনি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ  রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী তেংবাং মখাদা নুমিৎ ৯ নি চথুরকপা লাই হরাউবা কাংলোনগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী ৱার্কসোপ ঙসি ইম্ফালগী হয়িং খোংবাল উখোং য়ুম্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল লোইশিনখ্রে। লোইশিনবগী থৌরমদা অমাইবা অমাইবি অমসুং পেনাগী ওজাশিংনা লাইচিং জগোইদগী লাইরোই ফাওবগী থৌরমশিং উৎখি।

লোঞ্চ(এল)ঃ  গুদ গভর্নান্স কৌবা অনৌবা রাজনীতি দল অমা ঙসি শেমখ্রে। মসিগী প্রসিদেন্টনা য়াম্বেম লাবানা ওইরগনি। ভাইস প্রসিদেন্টনা ফিজম ব্রোজেন অমসুং সেক্রেটরিনা ডাঃ সন্নবম রঘুমনিনা ওইরে।

উ (এল)ঃ    পুন্না হিংমিন্নবা মরুপ ৱাইতোন্না নোংমাইজিং খুদিংগী পাঙথোকপা উ থাবগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ৱাইতোন মনিং লৈকাইদা লম্পাক অমসুং পুখি অচৌবগী অকোইবদা উ চারাশিং থাখ্রে।

অসাম ঃ  অসামগী হাইলাকান্দি জিলাদগী পুলিসনা লুপা কোতি ৯ লোমগী মমল ওইগদবা য়াবা টেব্লেৎ ফারে। মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা সোসিয়েসল মিদিয়াদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়- অসামবু ড্রগ ফ্রি ওইবা রাজ্য অমা ওইহন্নবা রাজ্য পুলিসনা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী কথাকলদা ঙসি কছার পুলিসনা অখন্নবা ওপরেসন অমা চথবদা মীওই অমদগী য়াবা টেব্লেৎ লিশিং ৩০ ফাগৎখিবনি। পোৎলমশিং অদুগা লোয়ননা চাকা অনি পানবা গাড়ি অমসু ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা পোৎলমশিংগী মমল লুপা কোতি ৯ লোমগী ওইগনি হায়রি।

অমরোমদা, নলবারি পুলিসনা ভিলেজ দিফেন্স পার্তিশিংগা লোয়ননা মফম কয়াদা নুমিদাংগী মতমদা পেট্রোল্লিং চৎপগী থবক চথরি।

মীফম ঃ  মুখ্য মন্ত্রি পরিষদ মীংথোনবা বি.জে.পিনা সাসন তৌবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং উপ-মুখ্য মন্ত্রিশিংগী মীফম ঙসি লোইশিনখ্রে। নিউ দিল্লিদা নুমিৎ নিনি চথরকপা মীফম অদু লোইশিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকার অনিনা পুন্না মতিং ফুদোক্তুনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌরবদি ভারতপু চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইবগী পান্দম অদু শোইদনমক্কী ফংবা ঙমগনি।

মীফম লোইরবা তুংদা, প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা  বি.জে.পিগী গ্রুপ গভর্নান্স সেলগী কো-ওর্দিনেতর বিনয় সহাসরা বুদেনা হায়- প্রধান মন্ত্রিনা হেরিতেজ চাওখৎহনবা অমসুং হেরিতেজ শেমগৎপা হায়বসিদা অখন্নবা মরুওইবা মীৎয়েং অমা থমদুনা চাওখৎপা ভারত অমা ওইবগী মঙলান অদু থল্লি। শ্রী মোদিনা হায়- চাওখৎপা ভারত অমা হায়বগী ৱাখল্লোন অসি মীপুম খুদিংমক্তা লৈগদবনি।

মীফম অদুদা বি.জে.পি লুচিংবা জে.পি নদ্দা, ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ, বি.জে.পি লুচিংবশিং, মুখ্য মন্ত্রি ১৩ অমদি উপ-মুখ্য মন্ত্রি ১৫ শরুক য়াখি।

মনকি বাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ড্রগকী মায়োক্তা লান্থেংননবা সরকারনা মানস কৌবা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎলে। মহাকা হায়- মানসকী হেল্প লাইন অমসুং পোর্টেল হন্দক্তা হৌদোক্কুনা টোল ফ্রি নম্বর-১৯৩৩ সু হাংদোক্লে।

অকাশবনিগী থোঙদা ঙসি পীখিবা মহাক্কী পুকিংগী ৱা মনকি বাট থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়- ড্রগকী সমস্যশিং অসিদা মমা মপা ওইবশিংনা মখোয় মখোয়গী মচাশিং লাইচুখিগদ্রা হায়বগী মীপাইবা পোক্লি। মহাকা হায়- করিগুম্বা ড্রগনা লাইচুরবশিং রিহেবিলিটেসনদা থমবা অমদি মসিগা মরী লৈনবা পাউ খঙদোকবা টোল ফ্রি নম্বর ১৯৩৩ দা ফোন তৌরক্কুনা খঙবা য়াগনি। কনাগুম্বনা ড্রগকী মতাংদা পাউ লৈরবদি নর্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোগা পাউ ফাওনবা য়াগনি। মহাকা হায়- মানসকী খুথাংদা পীরকপা পাউশিং পুমমক কনফিদেন্সিয়েল ওইনা থমগনি। ভারতপু ড্রগ শিজিন্নদবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মসিদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিং অমদি ইন্সটিট্যুসনশিংনা মানস হেল্প লাইন নম্বর অসিগী খুদোংচাবা লৌবীয়ু।

শ্রী মোদিনা হায়- মালেম শিনবা থুংবদা হয়েং ইন্তরনেসনেল টাইগর ডে পাঙথোক্কদৌরি। কৈ হায়বা শা অসি ভারতকী কলা সংস্কৃতিগা তৎনা থানবা য়াদ্রবা শা মখল অমনি। কৈশিংবু কন্নবা অমদি য়োকখৎতুনা থমবা থৌরাং কয়ামরুম পায়খৎলি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হৌজিক পেরিস ওলিম্পিক চখুরি অমদি ওলিম্পিক্তা ভারতকী শান্নরোইশিংনা মালেমগী ফম্বাক্তা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনবগী খুদোংচাবা পিরি। ভারতকী শান্নরোইশিংবু মীয়ামা পুকিং থৌগৎপীনবা আপীল তৌরদুনা শ্রী মোদিনা হায়- হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ইন্তরনেসনেল মেথ মেটিক্স ওলিম্পিয়াদতা ভারতকী মহৈরোইশিংনা

শিংথানিঙাই ওইবা হৈথোই শিংথোইবা উৎতুনা সনাগী তকমান মরি অমসুং লুপাগী তকমান অমা লৌরকখি।

নেসনেল হেন্দলুম ডেগী ৱাফমশিং ফোংদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- মথং থাগী ৭ তা লৈবাক শিনবা থুংবদা নেসনেল হেন্দলুম ডে পাঙথোক্কনি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা খুৎ শা হৈবা মীওইশিংনা হেন্দলুমগী পোত্থোকশিং মমিং চৎহন্নবা থবক কয়ামরুম পায়খৎলি। মাই প্রদক্ট, মাই প্রাইদ- ঐগী পোত্থোক, ঐগী চাউথোকচবা হায়বা হেস টেক শিজিন্নদুনা আর্টিসানশিংনা পুথোক্লিবা মখোয়গী পোত্থোকশিং সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎকদবনি।

অসামগী চরাইদিও মাইদামবু য়ুনেস্কো ৱার্ল্ড হেরিতেজ সাইটকী মনুং চল্লকপদা থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- অৱাং নোংপোক লমদমগী অহানবা কলচরেল ৱার্ল্ড হেরিতেজ সাইট অসি ভারতকী ৪৩ শুবা হেরিতেজগী মফম অমনি। য়ুনেস্কোনা হেরিতজগী মফম অমনি হায়না লাউথোকখ্রবা চরাইদিও মাইদাম অসি লম কোইবশিংগী মফম অমা ওইহন্নবসু প্রধান মন্ত্রিনা আপীল তৌরি।

ওলিপিক্স ঃ পেরিস ওলিম্পিকক্তা ভারতকী সুত্তর মানু ভাকর নুপীগী এয়ার পিষ্টোলগী মিতর ১০ গীদা শেঞ্জেংগী তকমান লৌদুনা মশান্না অসিদা তকমান লৌবা ভারতকী অহানবা নুপী শান্নরোই ওইরে। মানু ভাকরনা ওলিম্পিকক্সতা শেঞ্জেংগী তকমান লৌরকপদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখর অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি। মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনসু মানু ভাকরনা ওলিম্পিকক্সতা শেঞ্জেংগী তকমান লৌরকপদা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

ভারতকী সুত্তর রমিতা জিন্দর নুপীগী মিতর ১০ গী এয়ার রাইফলগী ফাইনেল চংখ্রে। নুপাগী মিতর ১০ গী এয়ার রাইফলদা আর্জ্ন বাবুতা ফাইনেল চংখ্রে। অদুমওইনমক, সন্দিপ সিংহদি লৈহৌরে।

নুপীগী কিলোগ্রাম ৫০ গী বোক্সিংদা নিখৎ জরিন প্রিকাটর ফাইনেল চংখ্রে। প্রিক্বাটর ফাইনেলদা মহাকা চাইনাগী ৱু-য়ুগা থেংনরগনি। ভারতকী টেবল

টেন্নিস শান্নরোই শরদ কমল মাইথিহৌরে। অদুমওইনমক, শ্রীজা অকুলা মথংগী রাউন্দ চংখ্রে।

মেদল টেল্লিদা ওষ্ট্রেলিয়ানা সনাগী অহুম, লুপা অনি পুন্না তকমান মঙা ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি। চাইনানা সনাগী অহুম, শেঞ্জেংগী অমা পুন্না তকমান মরি ফংদুনা অনিসুবদা, সাউথ কোরিয়ানা সনাগী অনি, লুপাগী অনি, শেঞ্জেংগী অমা পুন্না তকমান মঙা ফংদুনা অহুমসুবা, ভারতনা শেঞ্জেং তকমান অমা ফংদুনা ১৭ শুবা মফমদা লৈরি।

বেদমিন্টন (এল)ঃ মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ৬৮ শুবা ষ্টেট বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপ অমদি ৪২ শুবা ইন্তর দিষ্ট্রিক্ট য়োনেক্স সনরাইজ লোইশিনবগী থৌরম ঙসি ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি কেম্পসতা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ইন্দোর হোলদা পাঙথোকখ্রে। নুমিৎ ৬ নি চুপা চখ্তরকপা তুরনামেন্ট অসিগী মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা পৱার মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎ, ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাই, ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রি খাসিম ভাস্‌ম অমদি এম.এল.এশিং শরুক য়াখি।

ফুটবোল (এল)ঃ য়ু.সি.সি ককচিংনা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৪ গী ৱিন্নর ওইরে। দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্ট এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা য়ু.সি.সি ককচিংনা কে.ৱাই.দব্লিউ.এ.সি ৱাবগাই কদাজিৎপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

লিলোং (এল)ঃ মরিসুবা রাজ্য থাক্কী ইমা শরা বিবি মেমোরিয়েল স্পোর্টস মিট কম ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৪ ঙসিদগী লিলোং হাওরৈবী কলেজ লম্পাক্তা হৌদোকখ্রে। পাঙল ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসন (পি.এস.ও) মণিপুরনা শিনবা ফুটবোল তুরনামেন্ট অসিদা টিম ৪০ রোমা শরুক য়ারি।

প্রসিদেন্ট ঃ লক্ষমান প্রসাদ অচারিয়ানা মণিপুরগী রাজ্যপালগী অহেনবা চার্জ পুরগনি। হৌজিক হৌজিক সিক্কিমগী রাজ্যপাল ওইরিবা লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়াবু অসামগী রাজ্যপাল ওইরগনি।

রাস্ত্রপদি-দ্রৌপতি মুরমুনা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী অনৌবা রাজ্যপালশিং হাপখ্রে। অসামগী হান্নগী লোক সভা এম.পি- রামেন দেকাবু ছত্তিসগরগী রাজ্যপাল ওইনা হাপখ্রে। অসামগী রাজ্যপাল ওইরিবা গুলাপচান্দ কতারিয়ানা পঞ্জাব অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি চান্দিগরগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা হাপখ্রে। ত্রিপুরাগী হান্নগী উপ-মুখ্য মন্ত্রি জিসনু দেব বরমাবু তেলঙ্গনাগী রাজ্যপাল ওইনা, হান্নগী করনতক্কী মন্ত্রি-সি.ঐচ. বিজয় শঙ্করনা মেঘালয়গী রাজ্যপাল ওইরগনি। মহারাস্ত্রা বিধান সভাগী অধ্যক্ষ ওইরম্বা হরিভাও কিষন রাও বাগরেনা রাজস্থানগী, হান্নগী কেন্দগী মন্ত্রি সন্তোস কুমার গঙ্গৱানা ঝারখন্দগী মুখ্য মন্ত্রি ওইরগনি। হান্নগী আই.এস. ওফিসার-কে. কৈলাস নাথননা পুদুচেরিগী উপ রাজ্যপাল ওইরগনি।

দিল্লি ঃ দিল্লিদা ওল্ড রাজিন্দরনাগরদা লৈরিবা কোচিং ইন্সটিট্যুট অমগী বেটচমেন্টতা ঈশিং থুমজিনবদগী সিভিল সার্ভিস পরিক্ষা থাগদবা মহৈরোই অহুম শিখিবগা মরী লৈননা দিল্লি পুলিসনা কোচিং সেন্তর অদুগী মপুসু ওইরিবা কো-ওর্দিনেতর ফারে। দিল্লিগী উপ-রাজ্যপাল ভি.কে. সক্সেনানা থৌদোক অদুবু কন্না নিন্দা তৌখ্রে।

দিল্লিগী কোচিং সেন্তর অমদা ঈশিং থুমজিল্লকপদগী মহৈরোই অহুম লৈখিদবা অদুবু কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী রাহুল গান্ধিনা কম্পিটিতিভ পরিক্ষা থাগদৌরিবা মহৈরোইশিং ঈশিং থুমজিনদুনা লৈখিদবা হায়বসি থম্মোয় শোকিঙাইনি। নুমিৎ খরনিগী মমাংদা নোং চুরিঙৈদা ইলেক্ত্রিক সোক তৌবদগী মহৈরোই অমা শিখিবগী ৱাথোক লৈখ্রে। মসি অয়াম্বনা য়ুম শাবা মতমদা চেকশিন্দবা অমদি টাউন প্লান্নিং নিংথিজনা তৌদবদগীনি।

------